# Sir Winston Churchill না চহী ৭৭কী মমাঙদা হায়খিবসি হৌজিক চুল্লনি



অচুম্বতনা মায় পাক্লকখিগনি

**কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)**

শোখ্রবশিংদা কখোকচবা

এপ্রিল ১৯, ২০২৪ (ইরাই নুমিৎ) সিদা ১৮শুবা লোক সভা ইলেক্সন, ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি মণিপুরগী এ সী ৩২দা ইলেক্সন পাঙথোকখি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মীনম্বা ঙাঙবা প্রাইম মিনিষ্টরনচিংবনা 'গ্রেটেষ্ট ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি' হায়না লাউরি। দেমোক্রেসি হায়রিবা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক খঙদবশিংনা লৈঙাক পায়রি। মেত্রিকুলেসন (ক্লাস টেন) পরিক্ষা ফাওবা পাস তৌবা ঙমদবশিংনা লৈঙাক্কী মকোক হায়বদি চীফ মিনিষ্টর ফাওবা ওইরিবা লমদমনি। নেলসন মন্দেলানা হায়রমখিবা ৱাফমদু নীংশিংলকই "If you want to destroy a nation or country destroy the Education system of that country" অসুম্না ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদসু এদ্যুকেসন সিষ্টম অসি মাঙখিবা চহী য়াম্লে। অসুম্না ঐখোয়গী খুন্নাই অসি নোংমা নোংমগী মরূ মরা কংশিল্লক্লি। মীওই খরনদি ৱাফমসিগী মরমদা হেন্না খঙনবীরম্লনি। লাইরিক হৈতবশিংনা লৈবাকসি ঙাক্লি।

Sir Winston Churchill's argument against granting India freedom - "Power will go to the hands of Rascals, Rogues, Freebooters, all India Leaders will be low Caliber and men of straw. They will have sweet tongues and silly hearts. They will fight among themselves for power & India will be lost in political squabbles. A day will come when even air & water would be taxed in India." (He wrote this over 70 years ago.)

We Indians have worked very hard to prove him right.

হন্দক্কী লোক সভা ইলেক্সন অসিদি মমাঙঙৈদা অমুক্তা পাঙথোকখিদ্রিবা মওংদা পাঙথোকখি। মনি পৱার অমসুং মসল পৱার, গন কলচর অসি হৌজিক ইন্দিয়াদা অমসুং মণিপুরদা পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মফম খুদিংদা শীজিন্নখি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩২দা লুপা ৩০০ য়েনখি। ইজরিবা ঐহাক্না লৈরিবা য়াইস্কুল এ সীদদি লুপা ৫০০ য়েনখি হায়না ঐঙোন্দা পাউদম্লকখি। হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসি মীওই খরগীদি Question of "Do" or "Die" গী ফীভমদা অরৈবা শেল হৈথখি। থা ২/৩গী মমাঙদা ঐহাক্না ইজখ্রবনি মদুদি এম পি ইলেক্সন অসিদদি শেলগী নোং তাগনি। লেন হৈথবগুম হৈথরক্কনি। লুপা ২০০/৩০০দা লৈবাক্কী লুরবা তাঞ্জাসিদা নম্ফু-হাফুদা ৱাখল ৱাৎপা মীশিংনা নোংমৈগী মতেং লৌরগা নমদুনা ইলেক্সনদা মায় পাকপা হায়বসি মতম কুইগদৌবা নত্তে। মীওইবগী মপোক্তা অরানবনা মায় পাকপা হৌনদে।

এপ্রিল ১৯, ২০২৪গী ইলেক্সন অসিদা পাঙথোকখিবা অরানবা, চুমদবা, হুরানবগী থবকশিংসি NEW YORK TIMES (U.S.A.) অমসুং ইন্দিয়াগী নেসনল পেপরশিংদা হেদলাইন ওইখ্রবনি। ফত্তবা থবক্কীদা মকোক ওইরিবা লমদমনি। পাঙথোকখিবা এম পি ইলেক্সন অসিদি অচুম্বা অশেংবগী ইলেক্সন শুকওই ওইখিদ্রে। ফম্নাইবগী চৌক্রি হোংদনবগীদমক অঙম্বা পান্থৈশিং শীজিন্নরগা মায় পাক্নবা হোৎনরিবসি মপূন্সি চূপ্পা ওইগদৌবা ফমদি নত্তে। হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসিদি মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অমত্তগা মান্নখিদ্রে। ইন্নর পার্লিয়ামেন্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩২ অসিদা শেলগী মেলা ওইখি। "Greatest Festival of Democracy" হায়বদুগী ৱাহন্থোক অদু ময়েক শেংনা মতম্না পুরকপা ওইরসনু।

চহী ২০ মুক্কী মমাঙদা ইজখিবা ৱাফম-

মতম অমদা মীতৈগী লম্বী চৎফমসি সেকমাইদগী পল্লেল, কৈথেলমানবীদগী য়াইরিপোক্তা ফাওবা ওইরক্কনি হায়খিবদু চুল্লি। ইম্ফাল ভেল্লিদগী বাই রোদতা মপান চৎপা য়াদ্রে। মপালদা চৎকে হায়রবদি বাই এয়রদা চৎপা তারি। ঐখোয়সি ওপন জেল অচৌবা অমদা হিংবগা চপ মান্নরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসি য়াম্না মুন্না খন্থবা মী ইয়াম য়ামদে। লাইরিক্কী খুন্নাই ওইদবনা, অফবা ৱাখল খনবদি য়াম্না ৱাৎলি। লমদম অসিদা তমজনীংঙাই অমসুং শীংথানীংঙাই ওইবা থবক করি করি উখ্রবগে অমসুং উরিবগে?


ঙসি খুন্নাই অসিদা ৱাৎলিবসি দিসিপ্লিন য়াম্না ফজনা থম্বা ঙমদ্রি। সেল্ফ দিসিপ্লিন এন্দ সেল্ফ কন্ত্রোল হায়বসি মী খুদিংদা ঙাক্না চৎপা ঙমদ্রি। মসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাউনা শোয়রিবনি। মথংদনা করেক্টর (লমচৎ-শাজৎ) হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইরি। লুচিংবশিংগী করেক্টর লুদ্রবদি লৈবাক অদু নোংমা নোংমগী লৈখা তাবদু শোয়দ্রবনি। করেক্টর ফত্তবা মীদগী ৱাহৈ অমত্তসু তাফম থোক্তে। অমোৎপা লমচৎ-শাজৎ হায়বসিদি কনানসু শক্না শোন্নরোইদবা মীওইশিংনি।

করপসনগী খুন্নাই অসিদদি অঙক-অঙকপা থৌদোক ৱাথোক য়াম্না উরি। ঐহাক্কীদমক্তি নোমিনেসনগী আর ও ওফিসতা চৎপদা মী ৪ খক্না, চহী ১৫ শুরবা কার অমগা পুরগা চৎখি। ইন্দিয়াগী রেকোর্দ ওইখ্রবনি, মী ৪ খক্না লাকপা অমসুং কার অমখক পুরকপা কেন্দিদেটনি হায়বদু।

দেমোক্রেসিগী অচুম্বা খোঙচৎ

এম পি ইলেক্সনগী এক্সপেন্দিচর মীয়ামদা খঙহঞ্জরি -

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Printing of Bio-data leaflet | - Rs. 50,000/- |
| 2. | Leaflet of Election Symbol and Serial Number | - Rs. 10,000 |
| 3. | Hiring of one car for 19 April (Voting day) | - Rs. 6,000/- |
| 4. | Petrol for self Car Campaigning | - Rs. 1,80,000/- |
| 5. | Inner polling agents pocket money | - Rs. 28,500/- |
| 6. | Security Deposit at RO office | - Rs. 25,000/- |
| 7. | Tea & Snack arrangement at Home (Refreshment arrangement) | - Rs. 10,000/- |
| 8. | Opening of a New account at Central Bank of India | - Rs. 2500/- |
| 9. | Fee for Advocate for preparation of Nomination file documents. | - Rs. 20,000/- |
| 10. | Election Agent's Petrol expenditure | - Rs. 20,000/- |
| 11. | Releif Camps at Kanto Sabal | - Rs. 10,000 |
| | **Total amount** | **- Rs. 4,52,000/-** |





# য়াম্না ৱারমগদৌবা নহাক্তো

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

মসিগী নুপীমচাসি মীরক তিল্লকপদা লমচৎ ফজেনে হায়বা ৱাহৈসি ঐখোয়না অঙাং নহা ওইরিঙৈদা অহলশিংনা হায়বা তাই। হৌজিক ঐখোয়না অহল ওইরল্লবা মতমসিদদি মসিগী নুপীমচাসি মীরক থোরকপদা মাগী মেক-অপ কম্বাইনেসন ফজেনে হায়দুনা নহাশিংনা হায়নবা তারে। ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈদা অহলশিংনা হায়বা ৱা তারম্বদু ঐখোয়না অহল ওইরকপদা নহাশিংনা হায়বা ৱা তারে। মমাঙঙৈ মতমগী মীশিংনা নুংগী ফজবনা লেম্নরম্লবসু হৌজিক্তি মপান্থোংগী ফজবদা শেল য়াম্না থাদদুনা লেম্নরে। ইচাফাওবা ইমুংদৈ মমান্নবী অনী অহুম থোকমিন্নরকপদা হায়ফেৎ য়েংবদা করম্বনো খন্দোকপা ৱারে। হৌজিক্কী নহাশিংদি লাইরিক চেনা চাম্মা চনী পানবা য়াম্না তম্নরবনিনা মমাঙঙৈগী লাইরিক কয়া তমজরক্তবা অহল লমনদগীদি লাইরিক ময়েক চৎপা য়াম্না হেল্লে। লাইরিক হৈরে। অদুনা মখোয় মশেল য়েংনবদা মানা লিৎলক্লিবা ফুরিৎসিনা করি ব্রান্দগীনো, তোংলক্লিবা খোঙউপসিনা পুমারা, নাইকলা, এদ্দিদাসকীরা য়েংনরে। মমায়দা তৈরক্লিবসি প্রাইমর য়াম পামনখ্রে হায়বফাওবা খঙনবা য়েংনরে। ডাক্তরদা অনাবা য়েংবা চৎপগী কেবদা মী নেক্লগা কেনরে, ফজনবা। মমাঙঙৈ লাইরিক কয়া তম্নদ্রিঙৈ ইবোকখোয়গী মতমদদি লাইরিক হৈতবনিনা মমায়দা খরা কেবদগী হেন্না মায় য়েকপগী মী নেক্লগা কেগনি হায়বা খঙজদে। মায় তৈবদগীদি সড়ক্তা কোইচৎ চত্তবা নুপীনা হেন্না মশক ফজে হায়না লৌনরম্মী। লাইরিক তমদবদৈ লাইরিক হৈখিদ্রবা অহলশিংদুনা হায়বীরম্বা ৱাশিংদু হৌজিক লাইরিক হৈবশিংনা ৱাখল লৌশিং ওইনবা কন্না নৈনরকপা হৌরক্লি।

মমাঙঙৈগী অহলশিংনা পারকপা লাইরিক্তি সমাজ (খুন্নাই) কৌবা লাইব্রেরি অসিদগী মী কৌবা লাইরিকশিংদু নীংথিনা মমুৎ তানা পাবনি। মসি কবি-রত্না হিজম অঙাংহলগী জহেরা কৌবা উপন্যাসকী মতাং অমদা কুঞ্জোদা গোপিনা হায়বা ৱাদগী নীংশিংজবনি। খুন্নাইবু মুন্না খঙবা মীনা মীওইবগী ফনবা ৱাখল খন্দুনা থবক তৌনবা হোৎনৈ হায়। খুন্নাই অমগী পাড়া অমমম ওইরিবা ঐ হায়রিবা মীয়ামসিনা অতোপ্পা ঐ ময়ামগী লাইরিক ওই। লাইরিক হৈনীংলবসু লাইরিক পানীংদবা মহৈরোয়না পরিক্ষাদা নম্বর য়াম্না ফংদবগুম হৌজিক্কী মীশিংনা নুংঙাইনা হিংনীংলবসু মী কৌবা লাইরিকশিং পাবা ৱাৎনৈ। অদুনা মীগী মরমদা খঙদে। অদুদগীদি ডাক্তরগা অনাবগা খৎনৈ। ওজাগা মহৈরোয়গা ফূনৈ। মপাগা মচাগা মরৈ য়েৎনৈ। মসি পূম্নমকসি ফনবা পরাদি লাইরিক্তা য়াওদবনিনা হৌজিক্কী নহাশিং ইঙাও ঙাওরি। অঙাওবনা হায়বা ৱা থাজরি। অফৈবনা চৎপা মতুং ইন্নরি। মণিপুরসি মীতোপ্পা ইকায়খুম্নবা নুংদা মশক ফজবা ইরমদম ওইহন্নীংবা মীতৈ মচা কয়া হন্দক্কী মীখল মমাঙদগী অনৌবা ময়োল চোংলক্লে। মপান্থোংদা উবা মীগী মশক্তগী মনুংদা লৈবা



কৌবা লাইরিক্তুদগী পূক্লিংনা অপাম্বা লাইরিক অমমম লৌখৎলগা পাসি। ইঞ্জিন থৌরগা লৌ খোইনীংবা মীনা ময়ায় লৈকায়গী ত্রেক্টর লোয়বা বাবুধোনদো লাইরিক ওইনা মুন্না পাবীয়ু। পূন্সি নুংশাংনবা। দুকান ফম্নীংবা মীনা অৱাং লৈকায়গী শেন্দোই রাবৈ কৌবা লাইরিক্তু মুন্না থৱায় য়াওনা পাবীয়ু। মদুদতা মায় পাকপা দুকান্দার ওইগনি। মণিপুর অসি অমুক্তং কনসি হায়রবদি হৌজিক হৌজিক ফংলিবা লাইরিক ময়ামসি মুন্না পাসি। পাবগী লোইবা নাইগদবা নত্তে। হেক ঙম্বমখৈদি হোৎনসি। ঐখোয়না উরিবা অহিংবা ময়ামসিসু লাইরিক ঙাক্তনি। তোম্বা, চাউবা, বিরেন, সুসিন্দ্রো, সুবোল, শর্দা, বসন্ত, বিমোল লাইরিক ঙাক্তনি। বিমোল, কামিনি, কাইকু, তোতোমসনা, মহেশ পূম্নমক লাইরিক অমমমনি। ঐখোয়না মুন্না পাজরগা ঐখোয়গী লৌশিং ফংগদৌরিবনি।

ফজবদুনা ঐখোয়গী ইমায় অসি থাংগৎতুনা মীমাঙদা উৎপনা হেন্না লেমজৈ খঙবা মীয়াম্না ভোট থাদবা থোক্নরকপদা মাগী মহুৎ শিন্দুনা মী অতোপ্পনা থাদথোক্লম্বদৈ নীংঙাই শংদানদুনা খৎনবা, চৈনবা য়াওরকপসি মণিপুর ইমানা হরাওজরমগনি মাবু কনবীনবা মচা থোরক্লে হায়দুনা। মাগী মচাশিংসে লোইনমক মাঙবদি নৎত্রি।

পূন্সি লাইরিক্তি কোন্না অশংবা মতমদা পাগে হায়বা য়াদে। ঙসি ফাওবদা চেনাদু নুমিৎ তাবনা খুমজিনখ্রগা অদুম মাঙখি। নোং ঙাল্লকপদা অনৌবা চেনা অমমম ওইরিবা পূন্সিসে মী লৌশিং লৈরবদি মীনা ঐগী ভোট থাদখ্রগা ঐনা করি তৌফম থোকপগে হায়বদুসু খঙলক্কদৌরিবনি। চেগী লাইরিকসু মী লাইরিকসু লোইনা পাবদুদি য়াই হায়ববু মেত্রিক পরিক্ষা থাগদৌবা মহৈরোয়না মহাভারতকী লান নুংঙাই হায়দুনা পারবদি পরিক্ষা ফেল ওইরনি। মণিপুর কনদৌরিবনি হায়দুনা মণিপুরগী ৱা অমত্তসু য়াওদবা মী লাইরিক পারুবদৈনি নহান ভোট নুমিৎতা থৌনা য়াম্না ফখ্রগা নোং ঙাল্লকপদা ইকায়জরক্লিবদো। খ্বাইদগী লুরিবদি ভোট নুমিত্তা থাদহৌদবা ভোটতো ঙসি থাদগে য়াদবনিনা চহী মঙা অমুক ঙাইরগা থাদবা তারে। থাদহৌদবা য়াদবনিকো। য়াম্না ৱাদ্রা? ●

# মশেলগী খূৎ থোক্লবা (৭)

## খুল ঙাকপশিং অমদি মীয়াম

- সী সী মঙানলৈমা-

হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরদা থোক্লক্লিবা হাৎন-শুনবা, নে-তাদ্রবা খুন্নাইগী চরাংনবা কয়া অসিগী মরক্তা ১৮শুবা লোক সভাদা মণিপুরগী মীহুৎ থানবগীদমক মায়কৈ কয়াদগী পেন্নদ্রবা মীয়াম্না ইলেক্সন মতম চাদে পাঙথোকপীগনু, ঐখোয়দি ইলেক্সন য়াওরোই, ভোট থাদরোই হায়বনচিংবা মখল মখা কয়াগী খোল্লাও লাউনরবসু কা হেনবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগা লোয়ননা ইলেক্সনদি পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরদা মমাঙদা তৌখিবা এম পি (মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট) খনবগী ইলেক্সনশিং ঐখোয়গী মীয়াম্না থৌ-ৱা ইশা শানদে, কনা কনানা মীরেপ ওইরি হায়বা ফাওবা নীংথিনা খঙনদে অমদি য়েংশিন্নরুদে। হৌখিবা ২০১৯গী ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনদগী হৌদুনা মণিপুর খুন্নাইগী মীয়াম্না মীৎ-না শীংবা খরা হৌরকখি। অদুবু হন্দক্কী ২০২৪গী মীখল অসিদদি মীয়াম পূম্বা মীকপ থোক্লে, এম পি অমগী মথৌ মঙম করি ওইবগে হায়বদু নীংথিনা মীয়াম্না নৈনরক্লে। মসিমকসু হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা লৈতাদ্রবা খুন্নাইগী ফীভম অসিনা ওইহল্লকপা অচৌবা খুদোল অমনি হায়বা য়াই।

অদুবু মীয়াম্না মীকপ থোক্লরক্তুনা মীৎ-না শীংনা লৈরকপা মতম অসিদনা মণিপুরগী খুন্নাইদা তাহৈ উহৈদ্রবা থৌদোক্তনা থল্লবা ওন্থোকপা মওং অমদা লাক্লে। মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ইন্দিয়াগী কাষ্ট সিষ্টম য়াম্না ৱাংনা লৈবা ষ্টেটশিংদা ইলেক্সনগা মরী লৈননা থোক্তুনা লাক্লবা হাৎন-শুনবনচিংবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অদুগী মতৌ তল্লক্তুনা হন্দক্কী মণিপুর তম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা থোক্লিবা খূৎলায় পায়বগা মরী লৈনবা মওং মরীন তাদবা কা হেনবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি মণিপুর খুন্নাইগী ওইনা অসুক্কী মতিক মীপাইনীংঙাই ওইবতা নত্তনা খুন্নাই অসি মরাই চাইথরক্লে হায়বা তাকপনি। অমুক্না হেন্না খুদোংথীরিবনা খূরক্কী ঈনা লাই শাবা মীওই খুজোক খরনা ঈরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা নহারোলশিং অসিবু লান্না লমজিংদুনা অরানবা লম্বীদা শীজিন্নবা মানবা থৌদৌ কয়া খুন্নাই অসিদা থোক্লক্লি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা চহী খরগী মতুংদগীদি খুন্নাই অসিদা খূৎলায় পায়বগী নীংতম ঈহৌ অমা তপ্না তপ্না শাগৎলকখি। মহৌশানা ইন্দিয়াদগী নীংতম্বা তাল্লিবা খূৎলায় পায়বা য়াওল্লোইশিং অসিদদি ইন্দিয়াগী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা উদে অমদি মখোয়গী খূৎসু কয়া থিংজিনবগী মমি তাদে, মখোয়গী হায়ববু য়েক্লবশিংদা অমদি খুন্নাইগী মাঙনবা তৌরকপা য়েক্লবগা পাঙ্খক ওইরবা মীওইশিংগীদমক মখোয়গী খূৎলায়শিং অদুগী মায়ওন থম্বা ওইনা উই। মখোয়না পায়রিবা খূৎলায়শিং অদুগী মগুণ খঙনা মফম মতম চানা খূৎলায়শিং অদু শীজিন্নবগী মমি তাই।

মে ৩গী ঈরাং অসিনা থোক্তিঙৈ মমাঙদা খুন্নাইগী ওইবা নাৎকী লাইশোন-তিনশোল অমদি মীতৈগী ওইবা থৌরমশিংদা দমক শরুক য়ারম্বা লূপ খরনা ঈরাং অসি থোক্লকপদগী অনৌবা মায়ওন অমদা ওল্লকপা ঐখোয়না থেংনরি। মতাং অসিদা খঙগদবা অমদি নীংশিংগদবদি খূৎলায় পায়বা লূপ অমগা খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক্তা লৈবা লূপ অমগগী মরক্তা লৈরিবা থৌরম থৌশিল কয়াগী খেন্নবা অদুনি। ঈরাং অসিনা হৌরকপা মতমদা ঐখোয়দি কলচরেল ওর্গনাইজেসননি, লূপ অসি মতম খরগী ওইনা দিজোল্ব তৌরে হায়বনচিংবা পাউচেশিংদা ফোঙবা থেংনখি। খূৎলায় খরা পায়রগা, খুদক্তা হেক্তা খূৎলায় পায়বা লূপ অমা শেমগৎপা হায়বসি য়াম্না লায় অদুবু লূপ অদুনা খূৎলায় পায়রিবা অদুগী পান্দম ময়েক শেংদ্রবা অমদি চুম্না শীজিন্নদ্রবদি লম্মাংনবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মখোয়না তৌরুবা অরানবশিং অদু কুপখৎনবা হোৎনবদা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা কিহন-খংহন তৌদুনা মীয়ামগী মচিন মেন্নবা হোৎনরবদি মদু মরমদমগী মীয়ামগীদমক থবক তৌবনি হায়বা য়ারোই। মীয়াম্না হাপ্পীরকপা থৌনা অমদি থাগৎ খোঙজেলতনা নীল্লম্বা অদু মতুংদা সাপ (curse) ওল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

মতাংসিদা মথৌ তারক্লিবসি খূৎলায় পায়বা লূপ (ওর্গনাইজেসন) অমা করম্না লমজিং লমতাক্কনি অমদি খূৎলায়শিং অদু করম্বা মফম-মতমদা শীজিন্নগনি হায়বসিনি। লোয়ননা কম্মান্দ এন্দ কন্ত্রোলসু নীংথিনা চৎনহনবা তাই, নৎত্রবদি মখোয়গী মরক্তগী ৱাখল তাহৌদদুনা খরনা, মখোয়না পায়রিবা খূৎলায় অদু লান্না শীজিন্নরুরবদি লূপ অদুগী মীংচৎ থীহনবতা নত্তনা লৈখা তারক্লবগী মচাক অমা ওইরক্কনি অমদি মীয়াম্না লূপ অদুবুসু লান্না লৌরক্কনি। মতাং অসিদনি লূপ অদুবু চিংলিবা লুচিংবা অদুগী থৌদাং চাউরক্লিবসি। লুচিংবনি হায়দুনা সোসল মীদিয়াদা লাউবদুনদি লূপ অদুগী মশীং য়াল্লবা নহারোলশিং অদুবু লাকশিনবা ঙমগদ্রা? প্রোফেসনেল খুদিংমক্কী ইথিক্স হায়বা অমা লৈগনি, মহাক্না হান্না লৈরম্বা লূপ অদুগী মওং মতৌদুগী, খূৎলায় পায়রক্লবা মতমদসু খূৎলায় পায়রিবা অদুগী ইথিক্স অদু ঙাক্না চৎকদবনি অমদি মহাক্কী মখা থাবা খুদিংনা তৌরিবা থবকশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা লাকশিনবা ঙমগদবনি। মখোয়গী মরক্তগী মীওই খরনা গেঙগী মওংদা মীগী মরন-মথুম মুনবা য়াওরুবা, মীঙোন্দা ফূ-চৈবা, নোংমৈ কাপশিনবনচিংবা তৌরুরবদি হায়রিবা মীওইশিং অদুবু মরানগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীবা ঙমগদবনি। তৌরুরিবা থবক অদু লূপ অদুনা নত্তে মীওইশিং অদুগী মরন্নাই তৌজবনি হায়বদু মীয়ামদা শেংনা খঙহনফম থোকই, নৎত্রগনা লূপ অদুনা তৌরগনা তৌরুরিবা অরানবা থবক অদু মশানা য়াজদুনা মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই। অসুম্না মমা লৈবাক্কীদমক থম্মোয় শেংনা চোঙথোকচরক্লিবশিং অসিগী মরক্তা য়ানশিল্লিবা, 'মরৈবাক নীংবগী মায়খুম' উপ্লিবশিং অসি থিদোক্তুনা লৌথোকপগা লোয়ননা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা মিংথোল ফংখ্রবা থৱায় কয়া অদুগী কখোকপগী ফীভম অদু হেন্না ময়েক শেংহনফম থোকই। পুকচেল শেংনা মণিপুর ইমাগীদমক্কি হায়না চোঙথোরক্লিবা মমল য়াল্লবা নহারোল কয়াগী পূন্সি অসিবু লমখাংদা লম্মাংনহনগুমসি।

হন্দক্কী ঈরাং অসিদা ময়ূম মকৈ মৈ থাদুনা তাল্লকখ্রবা, ইমুং মনুংগী মীওইশিং তমথীনা হাৎপীখ্রবা ইমুংশিংগী মীওই কয়াগা লোয়ননা মায়কৈ কয়াদগী নহা অহল থিদনা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি মরৈবাক মরমদম্বু কন্ননবগীদমক চোঙথোক্লকখি। মীনা লাকচখিবগী খাংঙমদ্রবা লমন খুম্নিংবগী মৈরিনা মৈৱাইরবা নহারোল কয়া খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা খুদোংথীবা মায়োক্নরিবা খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা খুল ঙাল্লকখি। অসুম্না মণিপুরগী চিরবা তানফম অসিদা মখূত্তা খূৎলায় পায়দুনা খুল ঙাক্লিবা নহারোল কয়া অসিবু মীয়াম পূম্বনা শৌগৎতুনা মতেং পাংলি। ফীভম অসিদা লৈঙাক্না ফাগনি-পূনগনি হায়বগী কিহনবদা ঐখোয়গী নহারোলশিংনা কিদুনা নীংহন্নগদবা নত্তে, নখোয়গীদমক ইমা-ইবেল অমদি মীয়াম পূম্বনা লেপ্পি। কিহনবা অসিদা চত্তুনা অমদি ওইদবা চিরোলদা থাজদুনা, মীয়ামদা ওইনা নোংমৈ মতোন ওনশিল্লক্লবদি মীয়াম্না নখোয়দা থল্লম্বা থাজবা ঙম্না মাঙখিগনি। হৌজিক মীওই খুজোক খরনা য়াইতোং খমদোংবশিংগী খূৎনেক্তা চৎতুনা অহায় অহায়বা ইন্দুনা ফূগনি-কাপকনি-কিহনগনি হায়বদু কুইনা চৎপা য়ারোই, ফীভম অসিনা কা হেন্না শোকচিন্দ্রিঙৈ মতম লৈরিঙৈদা লেপহন্নীংই নৎত্রবদি পূম্নমক ইতৈ তৈনদুনা লোইনা মাঙথোক্লরনি। করিগুম্বা অসিগুম্বা য়েক্লবনা তৌগদবা থৌওং থৌদৌশিং অসিনা মখা তানা শমথরক্লবদি মণিপুরগী লৈমায়দা ঐখোয় মীতৈ মশেলগী মরক্তা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লক্লবগী মরূ হুনবা ওইনা থোক্কদ্রা খল্লি। মসিনা কল্লক মাঙদা চাং তাবতা নত্তনা খুন্নাই অসিবু ঈরোলনুংদা লুপথহনখ্রগনি। ঙায়োক চফূগী ঙাগুম হিংলিবা পূন্সি মহিং অদু কোক্তুনা ঈপাক ঈয়াইদা ইনীং তম্না শান্নবা ফংজবা ঙা ওইনবা হোৎনবগী লম্বীদা ওইনা তৌনা লিংজেল শীজিন্নবনা তেল্লবা মীওই মপোক অসিদা পোকচরম্বগী মহয় য়ানবা ওইগনি। খুনুনা মথোঙদা কল্লি হায়বগুম থোঙ্গাল ৱাংমা ফাওবা লান্না চৎপা ঙমদ্রবা ঐখোয়না, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা উৎলিবা থৌনা লিংজেল অসুক্কী মতিক ইকায়নীংঙাইনি অমদি অকল-অথৌ শীংলিবা কয়া অসিসু শমান লেংমান্নবা লম্বানবদা মফম মতম চানা শীজিন্নবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মণিপুরগী ঙমখৈদবু কায়দ্রবদি হায়দুনা নোংমদি শোয়দনা ৱাখল তানরকখিনি খন্দুনা খুন্নাই অসিগীদমক্তা খঞ্জবা অমদি থবক তৌজরিবা মীওই কয়ানা খা চিক্তুনা খাঙলকখিবা, হায়বা-য়াবা-য়াদবা, তৌবা-য়াবা-য়াদবা কয়া কূপ্না নৈনদুনা অপূনবা মণিপুর অমগীদমক মতম কয়া চঙনা হোৎনজরকখিবা কয়া অদু ৱাখল মীৎয়েং শান্দবা মীওই খুজোক খরগী অরানবা পোরম পোমিৎনা ঙসিদি পূম্নমক 'উৎতা ঘী' হৈবা তাহনগদৌরে। মৈবু ফীনা কয়াম কুইনা কুপ্তুনা থম্বা য়াগনি, ঙসিদি কনানা কনানো হায়বদু নোংমা নোংমগী ময়েক শেংলকপগুম তৌরি। মসিদা তৌশিন্নবা ওইদা পাদগী থবক চৎনবা য়ারোই। মতাংসিদা লুরিবসি মায়খুম্না অমা উপ্পগা থবক্না অমা তৌবা অসিনি, অসিগুম্বা মীওইশিং অসি খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা ঐ-ঐগী ইমুং মনুংনা অমদি মথক থোংবশিংনা নীংথিনা তাকপী তম্বীদুনা অচুম্বা লম্বীদা লাকহনবতনা খুন্নাই অসি কনবা ঙমগনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮**

১) "**রাজা ভোজ অমসুং কালিদাসকী ৱারী**" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) "**য়েকখ্রবা ময়ি**" হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) "**ঐগী ঈশৈ নঙগী শুর**" হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "**ফিদম**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) "**তাবুনুংগী লীক্লু পরেং**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।